"ঐবু নোকসিরা ঐবু কপসিরা
হে পুর্নিমা, মেরাগী পুর্নিমা।" - মহিরম রামচরন

## অঙৌবা চেবাং

—এল চিত্র

ঐগী পুন্সিদি অঙৌবা চেবাংনি
ইবীয়ু নখোয়না ৱারী কয়া কয়া।
ৱারীশিংদো কাউঙমদ্রবা
তাইবঙ থম্মোয় শুমহৎ ঙম্বা।
কপনীংবনা কপসনু
ৱারীদুদা থম্মোয় শোক্লা
নোক্লিংবনা নোকসনু
পূক্লিং পেন্না হরাওনা
ঐগী পুন্সিদি অঙৌবা চেবাংনি
য়েকপীয়ু নখোয়না শক্তম কয়া কয়া
নীংবা কায়রবা কয়াগী
থম্মোয় শোল্লবা তেংথা শক্তম
মপূং ফারবা পুন্সিগী
হরাও তয়াম মীনোক কয়া
য়েকউ পেন্না য়েকউ
মচু মচু শীজিন্নদুনা
ঐগী পুন্সিদি অঙৌবা চেবাংনি।

## লাংবন হৈকৎ-লৈকৎ

—ডা. অকোইজম ইবোহল

কোভিদ-১৯ মাগী মহাকথক
খাঙুথক্তা পুন্সি লৈমন চনখ্রবা
মমল নাইদ্রবা থৱায় লৈরাংশিং
চেল্লা লমখুনুগী শক্তম লৌ
নপাম লমদম মায়কৈ পাংলকপরা
লাংবন থানা খোঙদোই হুল্লকপদা;
কৎচরি নখোয়গী নখুয়াখাদা
চেঙ থোইদিং, তিংথৌ মনা
তাউজিং হৈরাং অথোইবগী হৈশোই
লফোই, কিহোম, চু, হৈজাং
লৈরাং লৈচল লৈনম হেল্লবা
লৎনবা লৈতনা লৌশিনবীয়ুকো;
তাইবঙদা অমুক্তা উগে ফংদ্রবসু
মঙলান্দদি তোয়না লাকউকো ঐহাক্কী
ইমিৎ পেন্না অমুক্তদি য়েংজগে
শান্নসি লোইশিনখিদ্রবা ৱারী শীঙবুল
ইচা ইশুশিংগী হকচাংদা শাদোঙদুনা
অমুক্তদি হল্লকখোকো পাম্মুরবা থৱায়শা।

## লোনশিনখ্রবা থোঙ

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লোনশিনখ্রবা থোঙজিন'দুদা
লেপ্পুই ঐনা,
অমুক হন্না হাঙদোক্লরোইদবা
থোঙজিন অদুদা।
য়েংলুই হন্না, হন্না
অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং
কয়ারক হন্না।
তোঙান তোঙানবা
শকলোন কয়াদা
উরকখি ঐনা,
মোমোন মোমোন নোক্তুনা
উরকখি অমুকসু
করিগুম্মা হায়নীংবা
কয়া অমা লোয়নরদুনা।
ৱাখলনা ঐবু কৌরকপগুম
লেপ্পুই ঙসিসু
লোনশিনখ্রবা থোঙজিন'দুদা।

## লাক্লে নৌহৌননা লাংবন-থা

—অঙোম ইবোমচা

লাক্লে নৌহৌননা লাংবন-থা
খোঙচৎ লিক্লম কায়দনা
চহীগী থাচৎ তরুক্তা
পুদুনা নীংশিং পাউজেলবু
লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংবু
লাক্লে নৌহৌননা লাংবন-থা।
শারবা নুংশাগী মৈশারক
হাঙল-মালং অতিয়াদা
লশিংগী মফোনগুম্না ফজবা
অঙৌবা লৈচিলগী মপৈ মপৈনা
নোংদোল থোঙমায় ওইদুনা
লাক্লে নৌহৌননা লাংবন-থা।
লৌরুরগে মতাগুম মচা মশুশিংদগী
নীংশিং কুমওন নুংশি খুদোল
কচ্চবদো হৈরাং লৈরাং
চেঙ-থোইদিং
মিৎলুগী পিরাং পিরোইননা
লাক্লে নৌহৌননা লাংবন-থা
লাক্লে নৌহৌননা লাংবন-থা।

## কোভিদ-১৯

—নোংমাইথেম প্রেমানন্দ

খঙহৌদনা লাকখিবা
অকি তুজুংলবা লাঞ্জাওনি
মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও
শকউদবা অরোনবা কনানা
ওইহল্লরে তাইবঙপাল
মীৎকপ মীরাওখোলতনা থল্লবা
মীহাৎপুংগী লানফম অমা।
খাংবদা ৱানরে মীপাইনরে
নহা অহল খায়দনা
মীশি মীনানা থনখরে
তাইবঙ মীওইবা কৈদৌরি
শেমগৎলসি ঐখোয়গীসু লান্মীশিং
শকউদবা মহাকপু লাঙ্থেংননবা
খোঙ্গুল মুখৎখ্রসি মালেমসিদগী।
নুংশিদরা য়েংউনে কপ্লিবসে
মমা কায়না মৈচাক্লা
মীরোল শুজদ্রিবা অঙাংসে
কনানা মচে-মতোন-মবুং-মৌপ্পা
ঙম্নমক কায়নহল্লে, শেৎনহল্লে
লাক্লো থোরক্লো ঐখোয়গী লান্মীশা
ঐখোয় পূন্না লাঙ্থেংমিন্নরসি
ঐখোয় হিংদবা য়াদবনি।

## নীংশিং তর্পন

—বুঙোচা খুমনচা

শাৎলিবসে ঙসি লৈরাংশিংনা
মনীং তম্না ফুগাইনা
নুংশিবা লৈনম য়েন্দুনা
খেন্নবা থমদনা থম্মোয় খুদিংদা
কল্লম্বগীনি পাম্মুবা লৈত্রবা থৱায়না নখোয়গী
পাম্মুরবা ঙমখৈ মণিপুর ইমাগী।
পাল্লিবসে হৈরাং শীংনা মরীক চুম্না
লৈহাও চেল্লবা ইমাগী তম্পাকথকসিদা
লৈরিক অমা লৈমায়সিগী
লৈতুম অমা লৈপাকসিগী
উফুল মরিক অমা লমদমসিদগী
মচোই মচোই চোইখিদনবা
ঙাক্লম্বগীনি লাঙ্থেংনরম্বগীনি...
ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎথোকপদা
চিংনবা পোক্ত্রবা থৱায়না নখোয়গী
মনীং তম্বা লমদম অমা
মীখা পোন্দবা কংলৈপাক অমগী
হৌরক্লিবা তুংগী চাদা-নাওদাদা
পীরম্বা খুদোলনি নখোয়গী লোইবা নাইদ্রবা
শিংথাবতনা ৱাৎলগদবা
নখোয়না পীরম্বা খুদোলনা মশীং য়াম্লবা...
য়েংউ শাৎলিবসে মখল কয়াগী লৈরাংনা
মীরৈবাক্কী য়ানশিন্দ্রবা লৈহাওদা ঐখোয়গী
মান্নি লৈরাংশিংদুনি
হুল্লম্বা চারা নখোয়না
শাৎলিবসে মোমোন্ননা
লাক্লবদা ঙসি লাংবন থানা
পাল্লিবসে মরিক চুম্লবা হৈরাংশিংনা
তলা পামেলশিংদা মপূং ফানা
নখোয়বু ঙাইরিবনি নখোয়বু য়েংলিবনি
কচ্চরি ঙসি নখোয়গী নফমদা
হৈরাং লৈরাংশিংনা শেমজবা অথেনপোৎ
লাইওইখ্রবা নখোয়গী খুয়াখাদা
লাক্লবদা ঙসি লাংবন তর্পননা
লৌশিনবীয়ুকো লৎনদনা
কচ্চরিবা খরসে লৈজবা
শেংলবা হৈরাং লৈরাংশিংদুনি
নখোয়না ঙাক্লম্বা নখোয়না কল্লম্বা
লমদমসিগী লৈহাওদা পামজনা হৌরিবা।

## মরায়বক থীরবা পৃথিবী

—খুরাইজম মিলন

চাওখৎলবা বিজ্ঞানগী যুগসিনা
মিপাইহল্লে মীওইবগী ৱাখলসে
শক্তি লৈবা তান্নবদা
চীংদুম্মুক ৱাংনা পৈখৎনরিবা
ন্যুক্লিয়র বোমসে উরগা।
নোংমদি শোয়দনা মাঙখ্রনি
মরায়বক থীরবা পৃথিবীসে
গ্রহ কয়ানা লৈতেংলিবা
সৌর-জগৎ অসিদৈ
মতম চূপ্পগী ওইনা।
হাঙল' মালঙ অতিয়াদা
অমুবা মৈখুনা মমহৌরনি
থৱায় পানবা জীবশিংসু
চাকখ্রনি লানগী মৈরি'লক্তা
উৎকী মপৈ তানা।

মতম মতমগী ৱাখল

# ঈশৈ লীলা তাঙ্কক অমগী নুপী খোঞ্জেল শৈশকপা, নব চাকথেকপী

লমদমসিগী শুম্মাং লীলাগী তাঙ্কক অসি শরুক তরেৎ থোক্লা খায়দোক্লগা নৈনবা য়াই । অহানবা তাঙ্কক্লা থোক লীলানি (ফাগী লীলা), মখা তারকপদা মোইরাং পর্ব্ব অমদি পৌরানিক লীলানি । মরীশুবদা সমাজিক লীলা য়ানবা হৌরকই। পৌরানিক অমদি সমাজিক লীলা অসি ঙল্লিৎঁদো যত্রাৱালি হায়না খঙনরম্মী। খরা থেংথরগা মঙাশুবা ওইনা ঈশৈ লীলা অসি শাফোংলকই । ঈশৈ লীলানা মতম শাংনা হুমদুনা পুখি। ঈশৈ লীলাগা নক্লা তরুকশুবদা নুপী শুম্মাং লীলা থোকলকখি । ঈশৈ লীলাদগী মচৎ খজিক হোংলগা শান্নবা লীলাদি হৌজিক শান্নরিবা - শুম্মাং লীলা তরেৎশুবা মখল, ঐখোয়না মিৎমাংদা উরিবা লীলা অসিনি । কনাগুম্বনা ঙসিগী উনরিবা লীলা অসি শুম্মাং কুম্মৈ হায়বসু য়াওরি। থমজরিবা ৱাফম অসি ঐহাক্কী লন্নাই মিৎয়েংদগীনি। মণিপুরী শুম্মাং লীলা শান্নরকপগী শুম্মাং লীলা ওইরকপগী চাউরবা পুৱারী লৈজরি। নৈনবদা চাউরবা হীরম অমা ওইগনি। হোংলক্লিবা মশক চৎনরিবা শাজৎ অসি তাঙ্কক অমমম্নি। পৌরপ্লা খায়দোক্লিবা তাঙ্ককশিং অসি মতম মতম অদুগী থৌদোক্লা ওইরকখিবনি। চাংয়েংদগী অশেংবা ওইখিবা লীলা য়াওরি। চাংয়েং হায়না থমজরিবসি আর্ট অসিবু পামজরিবা নহারোলশিংনা মখোয়গা লোয়নরিবা, হৈজরিবা অদু উথোক্লিংলকপদগী আর্টফোর্ম অমা ওইনা মফম অমদা পুথোকলকপদগী মীয়াম্না পাম্না কৌনরকপদগী ওইখিবসু য়াওরি।

মরীশুবা তাঙ্কক ওইনা থোকলকখিবা ঈশৈ লীলাগী ৱারী অসি মখল মখল লীনৈ। মাইকৈ মাইকৈগী ৱারী লৈবগুম্নসু তৌই। চৈচৎ কুমশীং ১৯৭০গী পরিংসি মণিপুরী ফিলম অমদি শুম্মাং লীলা অনীমক হায়রপ মান্ননা চাউখৎলকপা মতম ওইখি। হান্না শাফু কন্না শান্নরম্বা মোইরাং পর্ব্ব অমদি যত্রাৱালি (শুম্মাং লীলা) অনীনা খরা শোন্থখিবা মতাংঅমা লৈখি। মতম অদুদা ঈশৈ লীলা লীৎখৎলকই। চুম্না লীৎখৎলকপা নত্তে পজেং ফিরাল পায়রগা হাইগৎলকখিবনি । হিয়াংথাং কাঙবু অমদি থাংমৈবন্দ কাংবু অনী চপ মান্ননা মচিন তুমখৎনা ঈশৈ লীলা শাফোংলকখিবনি। ঈশৈ লীলা লাকখিবগী ৱারী শাংনা লৈরি । পূম্নমক তুংওইনরম্লগা , ঈশৈ লীলা তাঙ্কক অমগী নুপী খোঞ্জেল শকলকপদা মীয়াম্না ঙক্লা য়েংনখিবা মীশক অমত্তংগী মরমদা ৱারেং অসি ইনীংদুনা ইখিবনি।

ঐহাক্লা ক্লাস টেন তম্লকপা মতমদা ঐখোয়গীদা প্রাইভেট বেঙ্ক অমা মীনা হাংলমখি। প্রাইভেট বেঙ্ক অদুগী শঙকাবগী থৌরমদা খোঙ্গ্রাউ হাপপেন্ট শেৎপা পাখংমচা অমা জেককেট অমা লীৎলগা বেঙ্ককী মীশিংনা পুরকখি। শঙকাবগী থৌরম অদুদা মহাক্লা ঈশৈ শকখি। হুন্দোকপীরে জানকিসে বাল্মিকী বোন্দা,করি ৱাখলনোনে রাম..। ঈশৈ অদুগী তবলা ঐনা থিনখি । কারহৱা তালদা চম্না শকপা ঈশৈনি। ঐঙোন্দগী খরা চহী লীংবা পাখংমচানি। ঈশৈ শক্লিবা পাখঙমচা অদুগী খোঞ্জেলদু নুপীগী খোঞ্জেল হাইরপ চংঙি । য়াম্না নুংশিবা খোলহৈ খোন্দা য়াওখি । অসাম্মী ঈশৈ অমা অনীসু শকলমখি । মতুং তারকপদা পাখং মচা অসি ঐখোয়গী যূমগী মনিংদা লৈবা ইমুং অমদা অমুক লৈগুম তৌখি। য়াম্না তোয়না ঐখোয় অদুৱাইদা লৈরে। ঐখোয় অদুৱাইদা পাংথোকপা মতম অদুদা কন্না লাইটশোং হায়না শক্লরম্বা থৌরমদা ঈশৈ শকপা উখি। ময়াম্না মিং হায়নৈ খুম্বোং নব কৌই, খুম্বোংদগীনি। ঐখোয়গী যুমগী মনিংদা খুম্বোংদগী ইনে অমা লৈ মখোয়গী লৈকাইদগী ওইবজাৎনি। মখোয়দা লৈরগা ঈশৈ শকপনি। অতৈ মফমদা ঈশৈ শকপা চৎলমগদ্রা অদুমদি ঐহাক্লা অঙাং ওইবনিনা নীংশিংবা ঙমদ্রে অদুগা ঐখোয় অদুৱাইদা পাংথোকপা ঈশৈগী থৌরমদদি খরা শক্লে। ঐখোয় লৈকাইগী ইমান্নবশিংনা মহাকপু খুম্বোং নবা হায়রগা মতম অদুদগী খঙলকখি ।

চৈচৎ কুমশীং ১৯৭৬/৭৭ লোন্নবদনি। ইমান্নবা অমনা,লীলা মখল অমা হৈরাঙ্গোই থোং ময়া অদুৱাইদা শান্নগনি হায়না পাউ পুরকপদগী কোলেজ মতম লোইবগা ঐখোয় লীলা মফমলোমদা থিবা চৎলি । নুংথিলদা শান্নগদবনি। লীলা মফম থিরকপা মতমদা, হাওবম মরক অদুৱাইগী সরক্লা তাইনবা যূম অমদা শান্নগদবা ওইরমখি। লীলা অদুগী মমিংনা থাদোই কৌই, হিয়াংথাং কাঙবু কৌবা অমনা শান্নগদবনি হায়বা খঙখি । লীলা হৌরে, লীলা অদু ঈশৈ য়াম্না শকই। ঈশৈ অয়াম্বা হান্না ঐখোয়না তাখ্রবা মীগী ইশৈ ময়াম অমা লীলা অদুদা শকলকখি। হিয়াংথাং কাঙবুনা শান্নবা ঈশৈ লীলা অদুদসু নুপী খোঞ্জেলদা নুপানা শারগা শকপা তাখি নীংশিংবা ঙমদ্রে। নুপা খোঞ্জেলদা শকখিবা মীশক অদু কনানো হায়বসু থিরুদে । লীলা অদুদা শমুরাইলাৎপম তামো নব ভোলকেনোগী ঈশৈ অমা তামো নব ভোলকেনোগা হাইরপ মান্নবা খোঞ্জেলদা নুপা শৈশকপা অদুনা - শীংজংসিনা খোঙদা য়ানশিল্লেদো.. হায়না শক্লগা লীলা অদুদা শৌরা শাবদুনা আর্ট এক্টিং তৌরগা শকখি। মীয়াম্না পূক্লি পায়না নোকখিবা নীংশিংলি । লীলা মখল অদুদা ঈশৈ য়াম্না শকই হায়বদগী মীয়াম্না ঈশৈ লীলা হায়নবা হৌরকখি। লীলা অসিগী মতুং ইকান কান্নদনা সেকমাইজিংলোমদগী থাম্না পার্টি কৌবা অমসু লৈ হায়না তাখি। লীলা অদু পাকশন্না ঐখোয় মখা তানা উবা ফংখিদে অদুবু চাকথেকপী পার্টি কৌবা অমসু লৈরে হায়না কন্না ঙাঙনবা তারকখি। চাকথেকপী পার্টি অসিনা থাংমৈবন্দ লোমদগী থোকলকখি। মহৌশানা থাংমৈবন্দ কাংবু অসিদগীসু মণিপুরী শুম্মাং লীলা যত্রাৱালীগী হৌরকফম অমা ওইনা লাকখ্রবনি। হান্না হৌদোকখিবা হিংয়াথাং কাঙবু অমদি সেকমাইজিংগী কাঙবুবু নমথরম্লগা কন্না মমিং চৎখৎলকখিবসি চাকথেকপী কাঙবু অসিনি । চাকথেকপী হায়রিবা অসি লীলা শান্নরিবা কাংবু অদুগী ওর্গেনাইজেসনগী মমিং নত্তে । কাংগী নিংঙোল পাল্লি নুমিৎতা, লৈকাইগী বামোন মান্দপ্তা ঈশৈ লীলা চাকথেকপী পার্টি কৌবা অমনা শান্নগদবনি হায়দুনা থৌরাং চাউনা শীনখি। মীওইবগী পূন্সি অসিরা হায়রিবা লীলা অসিদা য়াওরিবা চাকথেকপী কৌবা প্রোটাগনিষ্ট করেক্টর অমগী মমিংদগী ঈশৈ লীলা কাঙবু অসি চাকথেকপী পার্টি হায়না খঙনখি। অশেঙবা মমিংদি নহারোল খোংথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন কৌই । মীয়াম্না হেন্না খঙনখিবনা চাকথেকপী পার্টি হায়না খঙনখি। মতম অদুদগী ঈশৈ লীলা হায়না শান্নবা লীলা অসি তশেংনা ময়েক শেংনা খঙবা হৌরে। ঐগী পূন্সিদা উখিবা ঈশৈ লীলা অসি চাকথেকপী পার্টি হায়রগা খঙনবা অসিনা অনীশুবনি। অহানবা উখিবা অমদি অনীশুবা ঈশৈ লীলা অনীমক ঈশৈ ফজনা শকই। ঈশৈ য়াম্না য়াওবা মখলগী লীলা ঙাক্তনি অদুনা মখল অসিগী লীলা অসিবু ঈশৈ লীলা হায়না মীয়াম্না কৌনরকখি।

চাকথেকপী পার্টি হায়রগা খঙনরিবা লীলা কাঙবু অসিনা শান্নখিবা লীলাদা মরুওইবা শক্তম লাংখিবসি নুপাগী শক্তমদা ধন্নবীর, নরেন্দ্র নীংঙোম্বা, মঙ্গোলজাউ অদুগা নুপীগী শক্তমদা খোংমন জিল্লানচিংবা অসিনা মতম শাংনা কুম্বসি উরকখি । মতুংদা আর্টিষ্ট কয়া হোংদুনা শান্নখি। চাকথেকপী হায়রিবা করেক্টর অসিদা শৈথাদুনা শকপা জিটেন খাইদেম্না শৈপাল্লগা মশামক্লা শকখিবা-নুংশি নুংওল ফাওনবা ডরখাষ্ট অমা থাগে খল্লি চাকথেকপীদা ইবা হৈতরে ..। ধন্নবীরগী মী নোক্লিংহনবা আর্ট এক্টিং ঙসিসু মিৎতা উরি।

মতৌ মান্দনা নুংঙাইখিবা অশেংবা নুপীগী নুংশিরবা খোঞ্জেলদা শকখিবদি খুম্বোং নবনি। নহারোল খোংথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন হায়জরগসু চাকথেকপী পার্টি হায়না খঙনখিবসি মহাক্কী শৈশক্তনি। হান্না ঐখোয়না ঙল্লিৎঁদো খঙনখিবসি খুম্বোং নবনি। মৈতৈ বামোন অমনি হায়বসু খঙনদে। অশেংবা যুম্নাক্তি চৌধুরিময়ুমনি। অথেংবদা চাকথেকপী নব হায়রগসু খঙনখি। মহাক্কী ঈশৈ মমিং য়াম্না লৈখিবসি মশীং য়াম্মী। লীলাদা শকখিবা ঈশৈ ওইরগসু য়াম্না ফজবা মতম ঈশৈ অমা ওইনা লৌখৎপা য়াবা কয়ামুক লৈখি। মমিং লৈখিবা ঈশৈ খরদং পঞ্জবা তারবদি- ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি../ ঐগী পূন্সি খান্বী মৈৱাইরে../লমদম তাম্না লৈখ্রবা মাগী../ঙসি লোক্তাক খোংবানসিদা../ য়ামখ্রবা ঈশৈনি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শিল্লগা ঙল্লিৎঁদো পাংথোকখিবা ঈশৈ লীলা ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট ফিমেল খোঞ্জেলদা মনা কয়ারক ফংখি । নহারোল খোংথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনবু চাকথেকপী পার্টি হায়রগা মীয়াম্না হেন্না খঙনহনখিবসি মহাক্লা লীলাদা শকখিবা ঈশৈগী শৈশক খোলহৈ খোন্দা কয়া অসিদগীনি। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা হিংলিৎঁদো মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবা ফেষ্টিভেলদা ঐগ্য নব, চাকথেকপীনা নুপীগী খোঞ্জেলদা ঈশৈ শকলকপদা অঙকপা অমা ওইনা ফমলম্বদগী লেপখৎলগা ঐঙোন্দা হায়রম্বা অমা নীংশিংলি। মহাক্কী খৌনাওদগী অশেংবা থোকলকপা নুপী খোঞ্জেল ওইব্রা হোরেল লীলা লোইরগা মশাদা করি য়াওগে চেক তৌহৌসি। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রসু ফাগী পুবা অইবনি। মহাক লৈতাফম খঙদে লীলা য়েংদে ঈশৈ শক্লিবা চাকথেকপী নবদা পাকথরগা য়েংখিবনি। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রখক্তা নত্তে, ঐগ্যা নব, চাকথেকপী নবনা লীলাদা নুপী খোঞ্জেল শকলকপদা অয়েংবা খূদিংমক লীলা শান্নরিবা অদুদা য়েংদে ঈশৈ শক্লিবা মাঙোন্দা মীপূম খূদিংমক য়া কারগা য়েংনখিবা ঙাক্তনি।

অসুম্না নুপী খোঞ্জেল শৈশকপা অমা ওইনা মতম শাংনা নহারোল খোংথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন্দা য়াওবীরম্মী। মান্দনা চহী য়ামশিল্লম্মী । অহল ওইশিল্লকপনা ঈশৈ শকপা ঙমলকখিদে । খোঞ্জেলদা অহল ওইরকপগী অহোংবা লাকখি অদুনা মরম ওইরগা ঈশৈ লীলাদগী পোখাখি। মশামক্তি হিংনবা হোৎনবদা থবক মচা অমদি আর্ট অন্দ কলচরগী মখাদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট কোরপোরেসন্দা তৌরমখি। ঈশৈ পামজবা অমদি নুংশিবা অদুদি লেপখিদে মশামক্লা শীন্দুনা মতম ঈশৈ শকপা অহল লমনশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মরক মরক্তা ঙমজবা পৈশা পুথোকচরগা ঈশৈগী থৌরম শিঞ্জখি। মশামকসু মহাক্লা শকখিবা ঈশৈশিং শৈশকপা কয়াগা লোইনা মীয়ামদা তাহনখি।

ঙসি চাউখৎলবা মুম্বাইগী মিউজিক কন্সর্টশিং, সোনি টি ভিনা পুথোকপা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমদা নুপানা নুপীগী খোঞ্জেল শকপা শৈশকপা কয়াগী হৈশিংবা উৎনরিবসি ঙসিদগী চহী য়াঙ্খৈগী মমাংদগী ঐগ্যা নব, চাকথেকপী নবনা শকলকখ্রবনি। মীওই কয়াগী থম্মোয় খুদুম চনখ্রবনি। মহাক্তা নত্তনা মতুং তারকপা শৈশকপা কয়ানা লীলাদা শক্লরি। ঙসি ফাওবা পুথোকপীনবা লৈতবনা ঐগ্যা নবগুম্বা লমদমসিগী নুপা শৈশকপশিংনা নুপী খোঞ্জেলদা ঈশৈ শক্লিবসি লীলা খক্তদা মখোয়গী মফম লৈহল্লিবসি মশক তাকপীনবা, পুথোকপীনবা লৈরগদি মালেমদা অঙকপা ওইগদবনি। ঙসি চৌধুরিময়ুম নব শর্ম্মা, ময়ামগী চাকথেকপী নবনা খঙহৌদনা ঐখোয়গী ইরক্তগী লৈখিদ্রে । মহাক্লা লৈখিদবসি, মণিপুরগী তাঙলবা আর্টফোর্ম অমা ওইরিবা শুম্মাং লীলা, মতম অমগীনা ঈশৈ লীলা হায়রগা খঙনরম্বা অসিগী মেনশিনবা ঙম্নরোইদবা মাঙজবা অমা ওইরবনি। ঐগ্যা নব(চাকথেকবী নব)গীদমক থম্মোয়গী তর্পণ কৎচরি ॥



# রাগ দরবারী-১১৪

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

জিওগ্রাফিগী মতুংইন্না শিবপালগঞ্জদগী মহিপালপুরনা হেন্না লাপ্পি অদুগা নেৱেদানা নকপা হেল্লি। মরম অদুনা রমাধিন ভিখমখেরবিনা নেৱাদাগী চৎন-কাংলোনশিংগী মরমদা য়াম্না মুন্না খঙই। মহাক্লা মদুগী চৎন-কাংলোনশিং অদু মনিং তম্নসু শীজিন্নৈ। অসোমদনা সনিচরগী মায়কৈদগী ৱেদ্যজিনা জিওগ্রাফিদগী হেন্না হিষ্টরিগী মতেং লৌই। হৌখ্রবা মতমগী চৎন-কাংলোনশিং অদু নৈনরবা মতুং সনিচরনা মহিপালপুরগী চৎন-কাংলোন অদু শীজিন্ননবা হায়রকখিবনি। মদুগী মহয় ওইনা, সনিচরগী ওইনা শুপ্পগী অহোংবা ঘড়ি অমা তিংখি। ঘড়ি অদু অকাউবা অমা লৈবদগী ইলেক্সন ওফিসর অদুনা শিদুনা ময়ূমদা হল্লকখিবনি। অদুগা নেৱাদাগী চৎন-কাংলোনশিং শীজিন্নরবসু মায়থীবা নংদুনা অৱাবা কয়া ফংদুনা অমসুং যূগী নিশাদা লম্পাক্তা তাদুনা লৈখ্রে। শুপ্পগী নিশা কা হেন্না শীজিন্নবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা কান্নবা অমত্তা ফংখিদ্রে...।

থাজনবুদি করম্না খঙগনি, মহাকপু নুংশিজবা অমদি পামজবা কনানো হায়বদু। পামজবা অদুনা অদুমক লাপ্না য়েংজবা খক্তনি। নঙনদি করম হায়না খঙগনি, নঙতনা ঐগী লাইনিংনি, নঙতনা ঐগী লাইশঙনি, নঙতনা ঐগী লাইনি। নঙবু নীংশিংদুনা অহীং কয়া তুমদনা ফমুংদা ওন্না থোইনা খাঙখি।

হৌজিক্তি ঐগী ফীভম অসি খাঙবসু ঙমদ্রে অমদি লৈতাবসু ঙমদ্রে। য়েংবিয়ু ঐগী থম্মোয় মথুম-মরাং হৌরে, নঙবু হেক উরুবদা অহোংবা কয়া অমসু লাক্লে। অদুগা নঙদি অমুক হেক পায়খি, অমুক হেক লৈথোকখি, ঐগী অৱাবা অমত্তা উবিদে। ঐগী ওইনা নঙোন্দা ৱাফম অমতংদি থমনিংই মদুদি নঙসে নুংশিবা লোৎশিনবগী ফত্তবা হৈনবি অমা লৈ। ঐনা মায়োক্লরিবা অৱাবা অসি অমুক্তা য়েংবিয়ু।

নঙগা উন্নরগা ৱারী শাগদবা কয়া অমা লৈরি। ঐগী থম্মোয়দা ফুমদুনা চাক্লিবা মৈচাক অসি কনাদা ফোঙদোক্কনি। ঐগী নুংশিবা অসি ফোঙদোকপা য়াম্না পাম্মী। অদুবু খঙবিনবা কনা অমত্তা লৈত্রে। মরম অদুনা ঐ নুমীৎ অদু নহাক্তা উনবা লাকখিবনি অমম্বা নুমীদাং অদুদা। ঐগী থাজগা কায়নখ্রে, ঐগী যূমসু অমম্বতনা থনখ্রে। ঐ নঙোন্দা ৱাফম অসিমদি হায়বা পাম্মী, ঐ নঙোন্দগী করিসু অপাম্বা অমত্তা লৈতে। শুপ্পগী নহাক্কী মীৎয়েংগী মখাদা লৈবা নত্তনা। মদুনা নহাক্কী থৌজাল হায়বদু ওইগনি। অদুবু মসি সমাজ অসিগী চৎনবিনি, কনাগুম্বা অমবু নমথবা অমদি কনাগুম্বা অমবু মাঙহনবা হায়বসি। ঐ নখোয়গী যূমথক্তা লাকখিবনি অদুবু নহাক্কী ফমুংদা কনাগুম্বা অমা তুমদুনা লৈরমখি। ঐ ইকায়বনা শিবা হায়বদু ওইদুনা অদুমক হল্লকখি। নোংলৈ নুংশিৎ নখোয়সু ঐবু উরগা নোকউ, ঐগী নুংশিবা অসি উরগা পেন্না নোকউ।

ঐগী মীংচৎ থীবা অসি উরগা নহাক অদুমক তুমিন্না ফমদুনা লৈয়ু। নঙনা ঐবু কয়াম কুইনা ৱাহনবা ঙমগদৌরিবনো? লাক্লগদৌরিবনো? ঐবু লাকনৌ, ৱাহল্লু অদুবু ঐদি ৱানা-ৱানা অদুমক নহাক্কী মরমদা শক-শোনগনি। নঙগা অথুবা মতমদা উনগনি। নঙ ঙসি লাকপা ঙমগদ্রা মরমদি ঙসি নঙ য়াওদনা ঐগী থম্মোয় লাইশঙ অসি পুমহাং হাংলে। হৌজিক ঐ ইথন্তা লৈরি, নঙনা লৈরিবা মফম অদুদগী লাক্লো। থম্মোয়নুংদা চেৎনা কোনশিনবিরো অফবা নুংঙাইবা অহীং অমা ওইদ্রবসু। মসিনি ঐনা নঙগী নফমদগী পামজবা, মসিগীদমক পুম্নমক কৎথোক্লগে। ঐ থাজবা থমদুনা অদুমক লৈরি। ঐগী থম্মোয়বু কায়হনগনু।

নহাকপু নীংশিংজরিবা, কনাগুমম্বা অঙাওবা অমা।

যূমথক্কী অহাংবা মফমদা পুনশিন্দুনা তারিবা অমোৎপা পোৎশক অদু নুংশি চিঠি অমা ওইরমখি। রঙ্গনাথনা চিঠি অদু অমুক্তং পারম্মী, অদুগা অমুক হন্না তোয়না-তোয়নসু পারম্মী। মদুদা মহাক্লা য়াম্না থুনা খঙলকই মদুদি চিঠি অদু মহাক্লা ইখিবনি। মদুগী মতুংইন্না মৈচাক অমগা লোয়ননা মহাক্লা নুমীদাং চুপ্পা অদু কোনার্ক অমসুং খজুরাহোবু নীংশিংদুনা লৈরমখি। রঙ্গনাথনা মসিমসু ময়েক শেংনা খঙলম্মী মদুদি নুংশি চিঠি অদু মহাক্কী নত্তে, কনাগুম্বা অমগীনি।

মহাক কনানো?

রুপ্পন?

নুংশি চিঠি অসি বেলানা রুপ্পনদা ইব্রা? নৎত্রগা নুমীৎ অদুগী নুমীদাংদা যূমথক্তা লাক্লম্বী নুপী অদু বেলারা?

মসিমসু খনবা লানগনি, মদুদি রঙ্গনাথ অসিগুম্বা ৱাহং অসিগী পাউখুম খনবা মতমদা কনাগুম্বী নাটয় শাষ্ট্রি নৎত্রগা টর্কশাষ্ট্রি অমগী রোল লৌদুনা অনীদা অনী তিনশিন্দুনা মরিগী মশিং পুথোক্কনি হায়বসু। তশেংনমক মায়কৈ অমরোমদনা মহাক্লা চিঠি অদুগী অইবি বেলানি খন্দুনা রুপ্পনগা লোয়ননা মহাক্কী ৱারী শারম্মী। অদুগা অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদনা ৱাফম অসিগী মতাংদা ঙকনরম্মী মদুদি শিবপালগঞ্জদা ফিল্মগী ঈশৈগী মরমদা য়াম্না খঙ-হৈবা মীওই অমা লৈ হায়বদা। মীশক অদু খঙলবদি য়ুনিভর্সিটিগী ওফিসরশিংনা মহাকপু লৌশিল্লবসু অমদি লৌশিনদ্রবসু- মহাক অদুবু ফিল্মী সাহিত্যগী দোক্টরেট শোয়দনা পীগনি। ৱাখল্লোল অদুগী মতুংইন্না রঙ্গনাথকী থম্মোয়নুংদা পোৎশক অমা অমদি ৱাখল্লোল অমা ইথৎকুম কারক্লম্মী। মদুবু ফিল্মী লেঙ্গোয়জদা হায়বা য়াই - করিগীনো খঙদে মীয়াম্না ঐবু চাকহল্লিবসি। নুমীৎ অদুদা মহাক্কী খোঞ্জেল তারগা 'হায় মৈয়া'গী পৱিত্র মন্ত্র পাদুনা চেনখিবনি, অদুগা ঙসিনা কনাগুম্বা অমগীদমক 'ঐ ইথন্তা লৈ, নহাক্লা মফম অমদা হেক লৈরবসু লাক্লো' - হায়বনচিংবা আপিল তৌরদুনা ব্রোদকাষ্ট তৌরি। রঙ্গনাথকী ওইনা ৱাফমশিং অসি খঙবা ঙমদবা অমা ওইখি।

চিঠি অদু মহাক্কী ফুরিৎ খাউদা হাপচিন্দুনা মহাক যূম অদুদগী মপান থোক্লকই। ঙসি সিটি অদুদা জোগনাথকী কেস চৎথগদবা নুমীৎনি। শিবপালগঞ্জদা করিগুম্বা পোৎশক অমা মমিং লৈরবদি মায়কৈ অদোমদা লোয়না চেন্নৈ। কনাগুম্বা গুন্দা অমগী মতাংদা কেস তৌরবসু খুঙ্গংগী ইচিন-ইনাউশিং অয়াম্বনা সিটি অমুক্তং ওইরবসু চৎহৌবা অমদি কোর্ট য়েংবা পামনৈ। গুন্দা অদুবু ইকায়বা নংবা উরগা মখোয়না থম্মোয়দা নুংঙাইজবা অমদি অপেনবা পোকপা হায়বদু ওই। অদুগা গুন্দা অদুনসু খল্লি য়েংউ, ঐগীদমক খুঙ্গংগী মীওই কয়া মতেং পাংবা লাক্লিবসি হায়না। মদু খল্লগা গুন্দা অদুসু ৱাখল নুংঙাইজে। অসিগুম্বা চৎনবি অসিগী মতুংইন্না খুঙ্গংগী মীওই অয়াম্বা সিটিদা চৎনখিরম্মী অমসুং মীওই কয়া অমসু সিটিদা চৎকদবগী থৌরাং তৌনরি।

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

ৱারী ককনাউ

# মেমীগী খোঞ্জেল

অয়ূক্কী পাউচেদু থোঙ্গালদগী লৌরুরগা পাগে হায়না মাঙ্গোলদা ফমথরগা হেদিংদু য়েংবদা ঙাইরি, ইমুংদগী খোইথুম্নবা য়াওদবা য়াল্লপ তৌবা খোঞ্জেল অমা তাবদগী পাউচেদুদা য়াওরিবা ময়েক্তু ঐগী মীৎমাংদগী চেম্থোকখি। ঐগী নাকোং অনীদা উরু-রু লৈদুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঞ্জলদু সুম তারম্বদগী ইশাসি তরং অমদা তাওরি।

"মেমী?" রোমান্সনা হাজিল্লবা থম্মোয়সিদগী মরম ইরৈ লৈত্রসু চিনসিদা থোকখিবা খোঞ্জেলনি। মাই মমিংসি মমাঙদা নৎত্রসু ঐগী চিনসিদা নোংমদা য়াম্না তোয়না থোকই। মঙদসু মেমী-মেমী হায়না কৌরম্বদগী ইমানা 'কৈদৌরে ইবুংঙো' হায়না ইশা নোমদুনা হৌদোক্লিসি ফম্না য়াম্মবনি। ৱাখল লাকপদা ইথন্তা ইকায়বগসু য়াওখ্রপোৎনি। মসিদা নত্তনা লাইরিক পাগে তৌরসু, পূক্লিং ইচং চঙউ য়াদে। মমিং বনান তৌদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন চেনা অমা থনখৈ ইদুনা শান্নৈ, মদু অমুক য়েংজরগা ইথন্তা থিক থিক অমুক নোকচৈ। মানা খুম্বদুনি ঐনা য়াম্না তানীংলিসে, অদুনা ৱা য়াম্না ঙাঙজদবী মহাক্লা লিক্লা লিক্লা অমা-অনী হায়রকপদু ঐগী থম্মোয়সি ফুক-খৈ পেনজে, অদুনা কৌরিবনি 'মেমী'। মেমীনা মমিৎতুলুকথরম্বদগী তপ্না খিত্তং মমায় হাইগৎলগা ঐবু হায়ফেৎ শাফেৎ য়েংলগা নোকফেৎ তৌনা অমুক লৈথখ্রগা খুম্মী,

"করি হায়গে?" অশ! লোইরে লোইরে ঐ মাগী খোইথুম্নবা খোঞ্জেলদুনা লুপথরপ খুল্লকপদু নুমিৎ..., নুমিৎ নত্তে, থা অমরোম মঙলগা লৈবনি। য়াম্না ময়েক কনবা মেমীগী মীনোক অমদি খোঞ্জেলনি। অদুগীনি ইবানি, মমাঙৈগী জি এম হোটেল হায়না পাওনা বজারদা লৈরম্বদুদা চা অমগা রস গুলা অমগা ওর্দর তৌখ্রগা মায়োক্লনা ফম্লগা নুংশি মঙলান শাগৎমিন্নরিসে।

"ঐবু নুংশিব্রা?"

"হান্না খুমখ্রদুদি?"

"অমুকসু তানীংবগীনি, হায়য়ো?"

"তোয়না হায়বা ইকায়জৈ"

"ঐদি য়াম তানীংই, ঙসি ৱাহৈদু তারদি য়ারে, তাদ্রদি ঐ য়াম্না নুংঙাইরোই"।

মেমীদু অমুকসু নোকফেৎ তৌরগা লুরাক্লনা য়েংলগা খুম্মী,

"উম...হুম হুম ... (য়ারক্তা নোক্লগা, য়াম্না লননা হায়, শাংলপ চিংলগা) অ!... নুং...শি"

ঐ ফুক লাউনা হৌগৎতেদো খাকখি। ইশাসি মৈ চৎপা ইলেক্ট্রিক ৱেয়র অমা পায়রুবদা চিংবদৌনা তৌখি। কয়াদা খোইথুম্নখ্রবনো। মতমদুদা ঐনা খনখি। মেমীসে, ঐঙোন্দদি মখনাও য়াম্না ফবা অফাওবী শৈশকপী লাতা মঙ্গেস্করদগী হেন্না খোঞ্জেলসি নুংশি, লৈশি লৈথোনবা খোম্থোক অমা য়াওরি। মঙোন্দগী হেন্না খোঞ্জেল ফবী অমা মণিপুরদা লৈরম্মরোই। ঐসে কয়া লাইবক ফখ্রবনো? মাবু য়েংনা য়েংনা ৱাখল অমদা তাওরিঙৌদা হোটেলগী মীনা রস গুলাগা চাগা পুথোক্লম্লবদু উনা উনা ঐ ৱাখল ওইখিদে। মেমীনা হায়রকপদা ঐ খংপ্রেক খংনা লৌশিং তারকখি।

"চা লৈরে"

"ও, ঐদি ৱাখল অমদা তাওরুরে?"

"কৈ ৱাখলনো?"

"হুম সুম ... ৱাখল অমা"

"ও..."

"কৈনো গুলাদু চমসনা কক-কক্তুনা লৈরিদুবো, চাও-ও"

"ঐদি কয়া চাগন্দে"

"ঙসিদি চাউ হায়বা" মেমীনা পিকখ্রবা গুলাদুগী পিকখ্রবা মচেৎ অমা চমচতুনা কেক-কেক তৌরগা কক্লগা মচিন্দু ইকা কাদনা চমসতু ইনশিনখি। অদুগা উমসাই শাইদুনা কয়া হাওনা চাখ্রে। অদুদৈদি চমসতু থল্লগা য়ারে হায়না গুলা হাপ্পা প্লেটতু ইন্থোকখি। ঐনা খনখি, মেমীসি অচাপোৎসু কয়া চাগন্দবজাৎনি। মঙোন্দগী হেন্না ফবা নুপী লৈররোই, ঐনা হেক পাম্বা হায়বদু মঙোন্দা লোইনা য়াওরে। তরং সুম চৎতুনা লৈরিবা ঐগী নাকন্দা মেমীনা থোরক্লগা চা অঙাংবা ষ্টীল গ্লাস অমা পায়রগা লৱাই লেম্ফুদা লাউথরকই।

"হো করিনো অয়ূকসিদা মোন্দ্রং চুরিসিনা, কনাগী ৱাখলদনো? সে চা...." লৈবাক্তা কোক থল্লগা ইমুংদা মখোল থোক্লা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ চঙখি। ঐনা মেমীদা য়েংহৌই। অদুগা চাদু লৌখৎলগা খংচিং চিংঙুই। অশাবা চাদুনা লৈ পোকই। হা হা কাখৈ ঐনা ষ্টীল গ্লাসতু লৈবাক্তা থল্লগা খূৎসিনা লৈ তিংথোক্লগা হুম্মী। মেমীসে কয়া হোংলবনো, অদুঙৈগী লতা মঙ্গেস্করদগী হেন্না খোইথুম্নবা খোঞ্জেলদুনা করম্না মাঙখ্রিবা? হৌজিক্লা ঐনা হৈনখিদ্রবা ৱেষ্টর্ন রোক শকপী মরুগা য়াম্না খোইবী অদুনা মখয়াৎ তিংখৎতনা লাউথোক্লগা লাউরগা খোনসিদা শকপা খোঞ্জেলদু ঙাইরে। রস গুলা অমফাওবা মপূং ফানা চাবা হৈখিদবা মানা, অচাপোৎ অমতং পুরকপদা মচা পীজনি খঙদখৈ মানা লোইনা চাথোকই। শিংজগা চাবদি সি-সা, সি-সা লাওখৈ মতিল ওরো-ওরো তানা শিংজু পুখম অমগা নুংথিলদা শুরগা চাথোকই। ঐগী মেমী য়াম্না হোংঙে। মহৌশা নৎত্রে। মাগী য়াম্না লিক্লা-লিক্লা ঙাঙখিবা খোইথুম্নরবা খোঞ্জেলদু মায়োক্লনা ফল্লিবা ঐনা ফাওবা তাবা ফংখিদবনি। নিল খোংবসু নত্তবা চীংয়াদা কোয়বা চৎপদা ইবানিখক্তা ঙাঙনবা ফাও ঐ পাক তাবা ফংদে, য়াম্না ঈংনা তপচবীনি। নাকোংসিনা পূক্লিং চঙনা তাজরগা পেঞ্জরম্বদু হৌজিক্তি মাগী খোঞ্জেলসি বেঙ্গুনমুক হৌরে। খ্বাইদগী তানীংদবসি মাগী খোঞ্জেলনি হায়বা য়ারে। সিগী ৱাসিগা অমুক হায়ররুরদি ঐ ইশাসি যূমসিদা লৈবা য়াবগী অয়াবা ফাওবা মানা পীদবমখৈ ঈশৌ লাংগনি। থম্মোয়দা খনবৈ ৱানি।

"ইহে! ঙসিসি ঐ থবক অমা চত্তবা য়াদবনিনে, অয়ূক্তা চৎহৌদ্রবদি মী উনহৌরোইদৌরিবনি" খংনীং নীংশিংলক্লগা, ঈংলবা চাদু লৌখৎলগা অমুক চিংই, অদুগা কৌই।

"মেমী, ৱা অমতা হায়গে অমুক্তা থোরকউ"

"কৈনো শংদে, নঙদৌনা থবক লৈতবা মী নত্তে ঐ, ঐ কৈদৌরি খঙব্রো, ঙরাং হাবিরম্বা কোল লিক ময়ামদো ফেংগদৌবগী তৌজরিয়ে, শংজদে শংজদে"। খঙহৌদনা হৌরকপা নোংমা অখাক অরাওগা লোয়ননা লেন য়াওনা চুথরকপদু ঙাই। ঐ মখা তাদ্রে, ইমুং চঙলগা ফি হোংলগা কৈসু হায়রমদনা থোরকই। শুমাং য়ৌরকপদা, তুংদগী লাকখৈ লাওরকই।

"কাইদনো" ঐ চপ লেপ্পী।

"থবক অমা চৎলুগে"

"হায়রম্বা য়াদ্রা? কুসি রাসি পংতৌ তৌনু হায়সিনি" মখ্বাং মেৎতুনা মেমীনা মাঙ্গোল মচিদা লেপ্পগা ঙাঙলি। ঐদি মায় লৈশিল্লমদ্রে, অদুম থোঙ্গালদা থোক্লে।

-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা